# হুইয়েন লানপাও

Refreshingly Reliable — The messenger of the masses




হৈরোক এসেম্বলি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী মনুং চনবা য়াইরিপোক চন্দ্রখোং ভিলেজগী ইতোক তুরেলদা থোং শানবা লৈঙাক্লা লৌখৎলকপা থৌরাং তরাম্না ওকপগী মীফম



গভর্ণর ডা. নজমা এ হেপতুলানা এক্টিং চীফ জষ্টিশ আর আর প্রসাদপু হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী মপুং ফাবা চীফ জষ্টিশ ওইনা ৱাশক লৌরবা তুংদা খুৎ শোক্লবা





মহাত্মা গান্ধী নেসনল রুরেল ইমপ্লোয়মেন্ট গরেন্টি স্কিমকী মতাংদা পাউমীশিং ৱাখল তাহন্নবা পাঙথোকখিবা জর্নেলিষ্টশিংগী ওইবা ষ্টেট লেভেল ওরিএন্টেসন প্রোগ্রাম





কক্‌য়েল, ৱাই দি সী, কচাথোল অমসুং এ বি সীনা শীন্দুনা হিয়াংলমদা *নুপীদা চথবা মীওৎ মীনৈ লেপ্পু* হায়বা বেন্নরগী মখাদা চৎখিবা নুপীশিংগী ৱাকৎ খোঙচৎ


Vol. 40, Issue No.174 | ইরাই, লাংবন ২৩নি পানবা, | অপুনবা লমায় মশিং ১২ | HUEIYEN LANPAO, | Friday, September 23, 2016, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50


## য়ুনিয়ন মিনিষ্টরশিং য়াওনা মণিপুরদা মীতোপ চঙলকপা থিংখ্রে

# সিলচরদগী ময়াং পুশিল্লকপা গাড়ী ২ সগোলবন্দদা মীয়াম হৌদুনা থুগায়খ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২২ (ঐচএন এস): লৈঙাক্লা সেপ্টেম্বর ২১ ফাওবগী মনুংদা এসেম্বলি কৌদুনা ইন্নর লাইন পার্মিট সিষ্টেম নৎত্রগা মসিগা মান্নবা বিল পাস তৌদুনা চৎনহনবা ঙমদ্রবনিনা হয়েংদগী হৌরগা য়ুনিয়ন মিনিষ্টরশিং য়াওনা মণিপুরী নৎতবা মীতোপ ষ্টেট অসিদা চঙলকপা থিংলগনি হায়না জোইন্ট কম্মিটি ওন ইন্নর লাইন পার্মিট সিষ্টেম (জে সী আই এল পি এস)না লাউথোকখ্রে।



অমরোমদা, ঙসি নুমিদাং পুং ৯ লোম তারকপদা তঙাইফদবা চে-চাং অমত্তা য়াওদনা সিলচরদগী ময়াং পুশিল্লগা চঙলকপা ক্রুইজর অনী মীয়াম্না ফারবা তুংদা থুগায়খ্রে। ক্রুইজর অদুদা তোংলকপা ময়াং ৩৫ রোম অদু ইম্ফাল পুলিস ষ্টেসনগী কাঙবুনা মফমদুদগী লৌখৎলগা পুখ্রে।

ঙসি কৈশাম্পাৎতা লৈবা জে সী আই এল পি এসকী ওফিসতা পাঙথোকপা পাউগী মীফমদা কনভিনর ইন-চার্জ ওইরিবা বি কে মোইরাংচানা হায়, ষ্টেটসিদা গভর্ণমেন্টকী মখাদা থবক তৌরিবা ইমপ্লোয়ীশিং অমদি মহৈরোয়শিং নৎতনা অতৈ পুম্নমক্তি মণিপুরদা চঙলকপা থিংগনি। অদুমকপু মণিপুরদগী মপান্দা চৎখিবদি অকায়বা লৈতে। লোয়ননা লমদমসিদা লৈরিবা শক্তাক চে য়াওবা অমদি য়াওদবা পুম্নমকসু খ্বাইরম্বন্দ কৈথেল অমদি মসিগী অকোয়বদা পোৎ য়োনবসু য়ারোই। অথিংবা অসি মণিপুর লৈঙাক্লা হয়েংদগী চয়োলসিগী মনুংদা এসেম্বলি সেসন কৌদুনা আই এল পি নৎত্রগা মসিগা মান্নবা বিল অমা পাস তৌদুনা চৎনহন্দ্রিবা ফাওবা চৎথগনি।

থৌওংসি ময়াংশিংগী মথক্তা নুংঙাইতবা নৎত্রগা এন্টি-নেসনল ওইনা চৎথবা থৌওং নত্তে হায়রদুনা মণিপুর গভর্ণমেন্ট অমসুং ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা জে সী আই এল পি এসনা য়েলহৌমী কন্নবা চঙশিল্লিবা খোঙজংবু থৌশাদবদগী থোরকপা মহয়নি হায়খি।

বি কে মোইরাংচানা হায়, লাক্কদৌরিবা ১১শুবা জেনরেল ইলেক্সন নকশিল্লকপগা লোয়ননা লমদমসিদা লৈরিবা রিজনেল অমসুং নেসনল *...মখা লামায় ৩ কলম ১*

## লৈঙাক্কী থবকশিং মীয়ামদা খঙহনবদা পাউমীশিংগী থৌদাং চাওই: রামথাঙ্গ

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২২ (ঐচএন এস): লৈঙাক্লা পায়খৎলিবা থবকশিং মুন্না খঙনবা হোৎনবা অমদি মীয়ামদা ময়েক শেংনা খঙহন্নবা হোৎনবদা ঈ-পাউগী থবক তৌরিবা পাউমীশিংগী থৌদাং চাওই হায়না রুরেল দিভলপমেন্ট এন্দ পঞ্চায়টি রাজ মণিপুরগী প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি জে সী রামথাঙ্গনা ফোঙদোকখ্রে।

আর দি এন্দ পি আর দিপার্টমেন্টকী এম জি এন আর ঈ জি এ মোনিটরিং সেলনা শীন্দুনা মণিপুর প্রেস ক্লবতা ঙসি পাঙথোকখিবা ষ্টেট লেভেল ওরিয়েন্টেসন প্রোগ্রাম ফোর জর্নেলিষ্ট ওন এম জি এন আর ঈ জি এ এন্দ ইটস ইমপ্লিমেন্টেসন প্রোগ্রাম হৌদোকপগী থৌরমদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়ারদুনা জে সী রামথাঙ্গনা হায়খি, দেমোক্রেসি চৎপা লৈবাক অমদা মরীশুবা য়ুম্বী মখোঙনি হায়রিবা পাউমীশিংগী থৌদাং পল্লদুনা লৈবাক অমা চাওখৎপগী থৌদাং পুম্নমক মখোয়গী খুৎতা লৈ। অচৌবা থৌদাং পায়বিরিবা পাউমীশিংনা পুকচেল শেংনা কৎথোকপা অমগা লোয়ননা মীয়ামগী থবক তৌবা হায়বসি পুম্নমক্কী য়াইফবনি।

মহাক্না হায়, সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা লৈবাকসিগী মীয়ামগীদমক থাদরকপা প্রোজেক্ট, স্কীম কয়া মীয়ামদা মমুৎ তানা খঙহনবদা নৎত্রগা প্রোজেক্ট স্কীমশিং অদুবু মিনিষ্টর নৎত্রগা দিপার্টমেন্টশিংনা মীয়ামদা ফঙহন্দবা মতমদা পাউচেশিংনা অকুপ্পা ৱারোল ফোঙবগী হক পাউমীশিংদা লৈ। অদুবু মরিকচুম্বা পাউ লৌবিবগা লোয়ননা টেক্নিকেল ওইবা ৱাহৈ ৱাতা চুম্না ফোঙবিদ্রবদি মীয়াম্বু লান্না লমজিংবা থোক্কনি। অসিগুম্বা লান্না চৎখিবা য়াবশিং থোক্তনবা ঐখোয় মশেলগী মরক্তা কো-ওপেরেসন পীনবা মথৌ তাই।

মীয়ামদা কান্নরবা এম জি এন আর ঈ জি এগী স্কীমসি জর্নেলিষ্টশিংনা মমুৎতানা নৈনবীদুনা খঙলবদি চৎলিবা চহী ২০১৬-১৭ সিদা চপচাবা পান্দমদু ফংবা ঙমগনি হায়বগী থাজবসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়ারদুনা আর দি এন্দ পি আরগী দিরেক্তর কে শ্যামবাবুনা হায়খি, খুঙ্গংগী লায়রবা, লৌমী শিন্মী খুদিংমক্না খঙবা অমদি মচিন্দা পুবা স্কীম অমা *...মখা লামায় ৩ কলম ৬*

## প্লেন্দা বোম য়াওরে পাখৎনরুরে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২২ (ঐচএন এস): দিল্লিদগী গুৱাহাটি ফাওরগা ইম্ফাল এয়রপোর্টতা তারকখিবা এয়র এসিয়া এরোপ্লেন অমা ঙসি অয়ুক পুং ১১ রোম তাবা মতমদা বোম য়াওরে হায়দুনা পাখৎনবদগী নুংথিলগী পুং ২ ফাওবা দিটেন তৌদুনা লৈখ্রে। প্লেন অদুদা তোংখৎলুরবা পেসেঞ্জরশিং অদু খুদক্কী ওইবা ইন্টিলিজেনসকী পাউ ফংবদগী কুমথহল্লগা প্লেন অদুদা বোম এক্সপর্টশিংনা থি-হুম্বা চথখি অদুবু বোম অদু ফংবা ঙমখিদে। মতুংদা এয়র এসিয়া প্লেন অদু নুংথিল পুং ২ গী মতুংদা দিল্লিগীদমক ইম্ফাল থাদোকখি হায়রি।

## নর্সকী রিক্রুটমেন্ট প্রোসেস লেপহনখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২২: মণিপুর লৈঙাক্কী সেক্রেটরিয়েট হেল্‌ঠ দিপার্টমেন্টনা ঙসিদগী চথগনি হায়না থৌরাং তৌরম্বা এ এন এম/এফ ঐচ দব্লিয়ু অমসুং অতোপ্পা পেরামেদিক্স লৌনবগী রিক্রুটমেন্ট প্রোসেসশিং অদু মখা তাবা য়াথং অমা থোক্লিবা ফাওবা পাঙথোক্তনবা মেদিকেল এন্দ হেল্‌ঠ সার্ভিসেস মণিপুরগী দিরেক্তর ডা. ও ইবোমচানা থোকখিবা নোটিফিকেসন অমনা হায়রি। এদমিট কার্দ পীবসু য়ৈথোক্লে হায়রি।

## ইরুংবম পদ্মাবতি শরুক য়ারুগদৌরি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২২: ওল ইন্দিয়া রেদিও ইম্ফাল (এ আই আর), ইম্ফালগী ফোক ম্যুজিক্তা অমত্তা ঙাইরবা টোপ গ্রেদ আর্টিষ্ট ইরুংবম পদ্মাবতি ওরিষাগী সম্বলপুরদা পাঙথোক্কদৌরিবা অকাসবানি সঙ্গিত সম্মেলন্দা শরুক য়ারুনবগীদমক ঙসি ইম্ফাল থাদোকখ্রে। থা অসিগী ২৪দা মহাক্কী পাফোর্মেন্স উৎকনি। ব্রেষ্টর্ন ম্যুজিক কেটেগরি নৎতনা অকাসবানি সঙ্গিত সম্মেলন, ২০১৬তা অৱাং নোংপোকতগী শরুক য়াগদৌরিবা আর্টিষ্ট অসি মহাক মথন্তনি হায়না এ আই আর, ইম্ফালগী প্রোগ্রাম ইগজিক্যুটিব বিজয়া য়ুমলেম্বনা প্রেস্তা থোকপা চেরোল অমদা ফোঙদোরক্লি।

## শরুক য়াখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২২: প্রাগনা ভাবন অগরটলাদা ঙসি পাঙথোকখিবা নোর্থ ইষ্ট কন্নেক্তিভিটি সম্মিট, কন্নেক্ট নোর্থ ইষ্টতা ইন্নর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী এম পী ডা. থোকচোম মৈন্যা শরুক য়াখ্রে। থৌরম অদুদা এফ আই সী সী আইগী সেক্রেটরি জেনরেল ডা. এ দিদার সিংহ, ত্রিপুরাগী চীফ মিনিষ্টর মনিক সরকার, নাগালেন্দগী চীফ মিনিষ্টর টি আর জলেং, বাংলাদেশকী মিনিষ্টর ওফ ইন্দষ্ট্রিজ অমির হোসেন অমু, ত্রিপুরাগী ইন্দষ্ট্রিজ মিনিষ্টর তপন চক্রবর্তি অমদি নিতি আযোগকী মেম্বর ডা. বিবেকসু থৌরম অদুদা দাইজদা ফমখি।

## ইম্ফালদা থুংলরে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২২ : ছটিসঘর লেজিসলেটিব প্রেস গেলেরি এদভাইজরি কম্মিটিগী মীহুৎশিং ঙসি ইম্ফালদা থুংলরে। কম্মিটি অসিদা ছটিসঘরদা লৈবা তোঙান তোঙানবা মীদিয়া হাউসশিংদা পাউমী ১৮ অমসুং ছটিসঘর লেজিসলেটিব এসেম্বলী সেক্রেটরিএট ওফিসল মরি য়াওরি। টিম অসিনা ইম্ফালদা থুংলবা মতুং ঙসি মণিপুর এসেম্বলী সেক্রেটরিএটতা লাক্কুনা ষ্টেটসিগী পাউমী টিম অমদি মণিপুর লেজিসলেটিব এসেম্বলীগী ওফিসল খরগা ইন্টরেক্সন তৌনখ্রে। ইন্টরেক্সন অদুদা মণিপুর লেজিসলেটিব এসেমব্লীগী *...মখা লামায় ৩ কলম ২*

## জষ্টিস আর আর প্রসাদ চীফ জষ্টিস ওইনা ৱাশক লৌখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২২ (ঐচ এন এস): জষ্টিস রাকেস রঞ্জন প্রসাদ ঙসি হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী চীফ জষ্টিস ওইনা থবক পুনবগীদমক মণিপুরগী গভর্নর ডা. নাজমা এ হেপতুলানা ৱাশক লৌখ্রে।

রাজ ভাবন ইম্ফালদা ঙসি অয়ুক পুং ১০ তাবদা পাঙথোকখিবা চীং লেল্লবা থৌরম অমদা মণিপুরগী গভর্নর ডা. নজমা এ হেপতুলানা জষ্টিস রাকেস রঞ্জন প্রসাদপু হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী চীফ জষ্টিস ওইনা থবক পুবগী ৱাশক লৌখি।

হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী চীফ জষ্টিস ওইনা ৱাশক লৌরবা মতুংদা পাউমীশিংগা উন্নবদা চীফ জষ্টিস রাকেস রঞ্জন প্রসাদনা হায়খি, জষ্টিস ফংদ্রিবশিংদা জষ্টিস ফঙহন্নবা মীৎয়েং চংগনি। লিগেল সর্ভিস ওথোরিটিগা লোয়ননা এৱেয়রনেস পীনবা থৌরাং কয়া পায়খৎপসু তঙায়ফদে। পেন্দিং লৈরিবা কেসশিং দিস্পোজ তৌনবা মীৎয়েং চংগনি। মীয়ামগীদমক অঙন্বা থাক্তা থবক তৌগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর ও ইবোবী, দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর গাইখাঙম, মণিপুর লেজিসলেটিব এসেমব্লীগী স্পীকর টিঐচ লোকেশ্বর, হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী জজশিং, মিনিষ্টরশিং, এম এল এ শিং, সিভিল অমদি পুলিসকী *...মখা লামায় ৩ কলম২*

## অন ইমপ্লোইমেন্ট এল্লাউয়েন্স পীননবা হায়কোর্টনা য়াথং পীখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২২ (ঐচ এন এস): ককচিং সী দি ব্লোক থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা মহাত্মা গান্ধী নেসনেল রুরেল ইমপ্লোইমেন্ট গরেন্টি স্কীম (এম জি এন আর ঈ জি এস) গী জোব কার্দ হোল্ডর ওইরিবা মীওই ১২ দা পীফম থোকপা অন ইমপ্লোইমেন্ট এল্লাউয়েন্স ওর্দর অসি ফংবা নুমিত্তগী পারগা থা অনীগী মনুংদা মরী লৈনবা লৈঙাক্কী ওথোরিটিনা পীথোকখিনবা মণিপুর হায় কোর্টনা য়াথং পীখ্রে।

এম জি এন আর ঈ জি এসকী জোব কার্দ হোল্ডর ওইবা টিঐচ প্রফুল্লো অমদি অতোপ্পা মীওই ১১ না পেটিস্নর ওইরগা মণিপুর হায় কোর্টতা থাঙ্গৎলকখিবা ৱাকৎ অমগা মরী লৈননা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী জষ্টিস কেঐচ নোবিন্না য়াথং অসি পীখিবনি।

জোব কার্দ হোল্ডর ওইরিবা মীওই অমনা মহাক্কী থবক পীবিদবগীদমক এম জি এন আর ঈ জি এসকী মখাদা ফংফম থোকপা এন ইমপ্লোইমেন্ট এল্লাউয়েন্স অদু মরী লৈনবা ওথোরিটিনা ফঙহনবীয়ু হায়না দিষ্ট্রিক্ট ওন্বসমেন থৌবালদা ৱাকৎখি। ৱাকৎ অদুগী মতুংইন্না দিষ্ট্রিক্ট ওম্বসমেন থৌবালনা জোব কার্দ হোল্ডরশিংদা অন ইমপ্লোইমেন্ট এল্লাউয়েন্সশিং অদু পীথোকখিনবা মরী লৈনবা লৈঙাক্কী *...মখা লামায় ৩ কলম ২*

## মীখলগী খুদোংচাবা লৌনবা দি আই জি প্রমোসন পীরে : বিশ্বাজিৎ

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২২ (ঐচ এন এস): মণিপুর লৈঙাক্লা হন্দক্তা পুলিস দিপার্টমেন্টকী সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস (এস পি) খরা প্রমোসন কাগদবা মতম ৱাৎলিঙৈদা দি আই জিদা প্রমোসন পীখিবা অসি লাক্কদৌরিবা এসেম্বলী মীখলদা খুদোংচাবা লৌনবা হোৎনবনি হায়না বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী জেনরেল সেক্রেটরিগী থৌসু পুরিবা এম এল এ টি ঐচ বিশ্বাজিৎনা ফোঙদোকখ্রে।

৪৩-ফুংয়ার (এস টি) মন্দলগী ওফিস অমা তাংখুল এভেন্যুদা ঙসি হাংদোকখিবা থৌরমদা চীফ গেষ্ট ওইখিবা এম এল এ, টি ঐচ বিশ্বাজিৎনা হায়খি, প্রমোসন ফংফম থোক্লবা কয়ানা প্রমোসন পীবীয়ু হায়বা মতমদনা পীবীদ্রগা হন্দক্তা মণিপুর লৈঙাক্লা য়াম্না থাজদবা মওংদা এস পি ওইনা মথৌ তৌরকপা চহী ১৪ ফাদ্রিবা অমদি প্রমোসন কাবগী মতম থা মঙারোম ৱাৎলিবা এস পি খরবু দেপ্যুটি ইন্সপেক্টর জেনরেল (দি আই জি) ওইনা প্রমোসন পীখিবা অসি য়াম্না অঙকপা থৌওং অমনি। মসিগীসু মথক্তা চীফ মিনিষ্টর নিপামচাগী মতমদা কেবীনেট দিসিজন লৌদুনা থবক লৌবদা অথিংবা থল্লকখিবা চৎন-কাঙলোনশিং অদু থুগায়রগা হৌজিক লৈরিবা লৈঙাক অসিনা হন্দক মরক তোঙান তোঙানবা দিপার্টমেন্ট কয়াগী থবক লৌগনি হায়না লাউথোরক্লি। *...মখা লামায় ৩ কলম ৪*

## লৈঙাক্কী মহৈশেঙশিং ফগৎহন্নবা মীৎয়েং থম্লে : কে ঐচ রতনকুমার

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২২ (ঐচ এন এস): লৈঙাক্কী মহৈশেঙশিং ফগৎহন্নবা তঙায়ফদবা মচাক মথুমশিং শেমগৎনবা অমদি অৱাৎপা ষ্টাফশিং হাপচিন্নবা মীৎয়েং থম্লে হায়না এদ্যুকেসন মিনিষ্টর ডা. কেঐচ রতনকুমারনা ঙসি বেঙ্গুন হায়স্কুল ময়াং ইম্ফালদা পাঙথোকখিবা থাগৎপা ফোঙদোকপগী থৌরম অমদা ফোঙদোকখ্রে।

জোইন্ট কো-ওর্দিনেসন কম্মিটি বেঙ্গুন্না শীন্দুনা পাঙথোকখিবা বেঙ্গুন হায়স্কুলবু হায়র সেকেন্দরিগী থাক্তা হন্দক্তা ওনখৎলকখিবগী থাগৎপা ফোঙদোকপা থৌরম অদুদা ৱা ঙাংলদুনা এদ্যুকেসন মিনিষ্টর ডা. কেঐচ রতনকুমারনা হায়খি, মহৈ মশিন হায়বসি য়াম্না মরুওইবা হিরম অমা ওইবনা লৈঙাক্লা অখন্নবা মীৎয়েংগা লোয়ননা থবক কয়া লৌখৎলক্লি। লৈঙাক্কী মহৈশেঙশিংগী ফিভম ফগৎহন্নবা মচাক মথুমশিং শেমগৎনবা অমদি অৱাৎপা ষ্টাফশিং হাপচিন্নবা মীৎয়েং থম্লে। ওজা অৱাৎপশিং হাপচিন্নবগীদমক থৌরাং তৌরে। আর এম এস এগী মখাদা ওজা ৩০৭, এস এস এগী মখাদা প্রাইমারি ওজা ৪৮৯, অপ্পর প্রাইমারি ওজা ৪৫৫ লৌনবগী থৌরাং তৌরি।

ওজাশিং অসি লৌবদা একাদেমিক এচিবমেন্টতা চাদা ৮০ অমদি ইন্টর্ভিয়্যুদা চাদা ২০ গী সিষ্টেমদা *...মখা লামায় ৩ কলম ২*


**গ্যাসকী পাউ লামায় ৩দা ফংবিগনি**

*গ্যাস এজেন্সীশিংনা গ্যাস য়েনবগী পাউ ফোন নম্বর ৯৭৭৪৮০৩৩১০দা পীবিরকউ।*


## HL POLL

**Q : Manipur da meetop changlakpada passenger puba garigi driversinggi khut yaoi haiba yaningbra?**

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da visit toubiyu

**NGARANG GI RESULT**

**Q : Tulihal Airport ki maming Bir Tikendrajit International Airport haina maming thollibasi yaningbra?**

Yes 58% No 42%

## অস! লোইরেহে!

মীখল ময়াদা থবক লৌগনুয়ে...!



মীখলদা থাদনবা শেলদু মখোয়দা পীরো হায়রুচো...!

## থবক ফংদ্রিবা নহাশিংদা ঙানু মচা, য়েন মচা অতাবা মমলদা ফংহল্লগনি : গোবিন্দাস



ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২২ (ঐচএন এস): লমদমসিগী থবক ফংদ্রিবা নহাশিংদা ভেটিরিনরি দিপার্টমেন্টকী মখাদা লম্ফেলদা লৈরিবা দক ব্রিদিং ফার্মগী হেটচরি য়ুনিটনা পুথোকপা ঙানু মচা খাখি কেম্পেল অমসুং য়েন মচাশিং সবসিদাইজ ওইবা মমলদা ফংহল্লগনি হায়না ভেটিরিনরি, কন্মর্স এন্দ ইন্দষ্ট্রিজকী মিনিষ্টর গোবিন্দাস কোন্থৌজমনা ফোঙদোকখ্রে।

দক ব্রিদিং ফার্মগী হেটচরি য়ুনিট অসিদা ট্রাইএল ওইনা অহানবগী য়েন মরুম অমদি ঙানু মরুম মচা ওলহন্নবগী পায়খৎখিবা থৌরাং অদু মায় পাকপগী খুদম লৈরে হায়বা উৎলদুনা মিনিষ্টর গোবিন্দাসনা হায়খি, দক ব্রিদিং ফার্মগী হেটচরি য়ুনিট অসিদা ট্রাইএল ওইনা হৌখিবা ওগষ্ট ৩১ দা য়েন মরুম ৩০০ অমসুং ঙানু মরুম কয়া মচা ওলহন্নবা থবক পায়খৎপা হৌখি। য়েন মরুম ৩০০ অদুগী মনুংদা মরুম ২০০ হেন্না হায়বদি চাদা ৭৫ রোম মচা ওল্লে।

সেন্ট্রেল পোলট্রি ফার্মদা হান্না লৈরম্বা হেটচরিগী ইক্কিপমেন্টশিং অসি জেনিমস লাকপদা দিসলোকেট তৌখিদুনা শীজিন্নবা য়াদনা লৈরমখিবনি। অদুবু দিপার্টমেন্টকী দিরেক্টর, জোইন্ট দিরেক্টরশিং অমদি পোলট্রিগী স্পেসিএলিষ্ট ডা. থোইবগা পূনশিন্দুনা তান্নরবা তুংদা হেটচরি য়ুনিট অসি হাংদোক্কুনা থবক পায়খৎপা হৌবনি। য়ুনিট অসিদগী পুথোরকপা ঙানু মচা অমদি য়েন্নাওশিং অসি নহাশিংদা ফংহন্দুনা মখোয়বু থবক পীবদসু মতেং ওইরগনি। *মখা লামায় ৩ কলম ৪*

## মীহাৎপগী মরাল শীরকপা য়ানিংদবা উৎতুনা থাংমৈবন্দদা প্রোটেষ্ট তৌখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২২ (ঐচএন এস): থাংমৈবন্দ অপুনবা মৈরা পায়বী অমদি ক্লবনা পুন্না শীন্দুনা ঙসি থাংমৈবন্দ লৌরুংপুরেল অমদি কব্রাবম লৈকায় অনীগী তায়নবদা ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে।

ৱাকৎ মীফম অদু খুয়াথোং পুখ্রিদা শিংজমৈ চিংঙা মখোঙদগী মুতুম য়াইফবা কৌবা মীওই অমা শিখিবগী মতাংদা থাংমৈবন্দ কব্রাবম লৈকায়দগী থোইসন অমসুং থোইস্না মচিন মনাও অনীবু কোর্টতা পুথোরকপা মতমদা শিংজমৈগী জে এ সীগী মীওইশিংনা মীহাৎপনি হায়দুনা হেক্তা হায়জিন্দুনা কোর্টতা লাউ-খোংবগী থৌওং অদু য়ানিংদে। কোর্টনা পীরকপা রাইগী মতুংইন্না মচা অনীগী মরাল লৈরম্লবদি মরালগী চৈরাক ফংজসনু। অচুম্বা ৱায়েল ফংদ্রিঙৈদা হেক্তা মরাল পীশিনবগী থৌওং অসি তৌবীগনু হায়না থোইসন অমদি থোইস্নাগী মমানা ফোঙদোরক্লি।

## ORDER

**Bishnupur, the 22nd September, 2016**

**No. 8/25/2015-BMC :** Whereas a notification inviting claims and objections with respect to declaration of Bishnupur Municipal Council as Open Defecation Free Town (ODF) was issued on 7th September, 2016 and no claim and objection of any kind has so far been received, it is hereby declared that the Bishnupur Municipal Council is **"Open Defecation Free"** Town (ODF).

***Sd/-* L. Maniyaima Singh**
Chairperson,
Bishnupur Municipal Council
Manipur

*HL-P/9855/23*


**RAJ MEDICITY**
**(Formerly Raj Polyclinic)**
*24 X 7 Trauma Care & Emergency Services*

An ISO 9001:2008 Certified Multi-speciality Hospital
Website : www.rajmedicity.com
Regd. No. MNHCR/NO/060/NH/2004
North A.O.C, Imphal West-795001, Manipur, India.

*RM/H-17-Adv/2016/04*

**POST VACANCY**

| Sl. | Name of the Post | Qualification | Experience | No. of Vacancy |
|---|---|---|---|---|
| 1. | Pharmacy Executive | B.Pham | Min. 2 yrs | 01 (Starting Salary ₹15,000/-) |
| 2. | Asst. Patient Care Relationship | Dip. & above in Hospitality Mangt. | 0-6 months | 04 (Starting Salary ₹ 8,000/-) |
| 3. | Radiographer | Dip/B.Sc.Radiography | 6-12 months | 04 (Starting Salary ₹ 7,000/-) |
| 4. | Security Staff | VIII passed | 0-6 months | 15 (Starting Salary ₹ 5,000/-) |

**NB: Candidate having Good communication skills and computer knowledge will be preferred.**

*Printed Application Form will be available at the Front Office of the Hospital.*
*Interested candidate can submit all relevant documents along with 2 passport size photographs to the "HR Department".*

***Last date of Form Submission is 28th September, 2016 upto 4:00 p.m. Interview date on 30th September, 2016, at 09 : 00 a.m.***

HL-P/9850/23






HL-B/3286/31,2,4,6,10